# মহারাষ্ট্রদা লৈঙাক শেম্নবা বি জে পিনা ঙসি গভর্ণর উনরগনি; সিব সেনানা ৫০-৫০গী দিমান্দ হন্দোক্ত্রি

মুম্বাই, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সি): মহারাষ্ট্রদা লৈঙাক শেম্নবগী মতাংদা থাখিবা মতম য়ৌশিল্লক্কদবা নুমিৎ নীনি খক্তা ঙাইরবা মতমদা বি জে পিনা হয়েং গভর্ণর উনরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনবিসনা কৌখিবা মীফম অমদা সিব সেনাগী মিনিষ্টর ৬ শরুক য়াখ্রবা মতুংদা ছোর্স অমনা হায়খি মদুদি, লৈঙাক পায়মিন্নরিবা পার্টি অনীনা অথুবা মতমদা য়াশিন্নবা পুরকপগী ফিভমদা লৈরে। ওক্টোবর ২৪দা মীখলগী ফল লাউথোকখ্রবা মতুংদা অহানবা ওইনা পার্টি অনীগী মীফম পাঙথোক্তুনা লৈঙাক শেম্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখিবনি।

মীফম লোইরবা মতুংদা বি জে পিগী লুচিংবা সুধির মুঙ্গানতিৱারনা হায়খি মদুদি অথুবা মতমদা মীয়াম্না নুংঙাইবা পাউ অমা তারবা ফংলগনি। অতোপ্পা মীনা ঙাংননিংবা ঙাংনজরবসু বি জে পি অমদি সিব সেনাগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা শোইদনা শেম্লগনি। বি জে পিগী লুচিংবশিংনা চীফ মিনিষ্টরগী ময়ুমদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা সিব সেনাগা পোর্টফোলিয়ো য়েন্থোক্লবগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি।

পনবা য়াবদি, বি জে পি অমসুং সিব সেনাগী এলাইয়েন্সনা মীখলদা সিট মশিং য়াম্না ফংদুনা মায় পাক্লবসু বিস সেনানা চীফ মিনিষ্টরগী ফম অমুক অমুক পায়নবগী ৱাফম পুখৎলকপদা বি জে পিনা য়াখিদবা মরম্না হৌজিক ফাওবা মহারাষ্ট্রদা লৈঙাক শেম্বা ঙমদনা লৈরকখি।

হিরম অসিগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা সিব সেনাগী লুচিংবা সঞ্জয় রাউতনা হায়খি, বি জে পিনা লৈঙাক শেম্নবগী মতাংদা গভর্ণর ভগত সিংহ কোসয়ারি উনবদা থোইদোক্না অকাইবা লৈতে। শাংলবা চহী ২৫ হেন্না বি জে পি অমসুং সিব সেনা খুৎশম্নদুনা লাকখিবনি। বি জে পিনা মহারাষ্ট্রদা কন্সটিট্যুস্নেল ক্রাইসিস থোকহনবগী মহুৎতা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সি পি)গী লুচিংবা সরদ পৱারনা হায়খ্রে, মদুদি মহারাষ্ট্রদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা বি জে পি অমসুং সিব সেনা পুল্লগা লৈঙাক শেম্বা নত্তনা অতোপ্পা লম্বী লৈতে। করিগুম্বা পার্টি অনীনা য়ান্নদবা থোক্লবদি অতোপ্পা চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা শেম্নবা হোৎনবদা ৱানা থোক্কনি।

পনবা য়াবদি, কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিনা সরদ পৱারগা উনখিবা মতমদা সিব সেনাদা শৌগৎপগী ৱাফম লৈরোই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মহারাষ্ট্রদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা সোনিয়া গান্ধিগা নক্লবা মীশক অমসু ওইরিবা রাজ্য সভাগী মেম্বর অহমদ পতেলনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিতিন গদকারিগা উনদুনা ৱারী শান্নবা লৈখ্রে। হৌজিক হৌজিক মহারাষ্ট্রদা করিগুম্বা বি জে পি অমসুং সিব সনানা চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা শেম্বা ঙমদ্রবদি প্রসিদেন্ট রুল থম্লকপা য়াই হায়না থাজনরি।



# তিলহৌগী মমল ৱাংখৎলকপদগী ইন্দিয়ানা মপান লৈবাক্তগী তিলহৌ লৈনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সি): ন্যু দিল্লি য়াওনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা তিলহৌগী মমল ৱাংখৎলকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ানা মপান লৈবাক্তগী তিলহৌ লৈনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে।

মধ্যা প্রদেশকী ভোপালদা হৌজিক তিলহৌ কে জি অমগী মমল লুপা ৮০ য়ৌরকপগা লোয়ননা নোংমা নীনিগী মতুংদা লুপা ১২০ য়ৌরকপা য়াই হায়না থাজনরি। ওরিষা অমদি মুম্বাইদসু তিলহৌ কে জি অমগী মমল লুপা ৭০ য়ৌরে। চেন্নাইগী ওইনদি তিলহৌ কে জি অমদা লুপা ৯০ য়ৌরে হায়রি।

কুমগী নোং মতম চানা চুখিদবা অমসুং নোংজুগী চাং হন্থখিবনা মরম ওইরগা পোত্থোক মরাং কাইনা পুথোকপা ঙমদবদগী ইন্দিয়াদা হৌজিক তিলহৌগী মমল ৱাংখৎলকপনি হায়না থাজনরি। মতম চাদনা চুরকখিবা নোংনা হেক্টর ৫৪ পাক চাওবা মফমদা থাবা মহৈ মরোং মাং তাকহনবগী থৌদোকসু লৈখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা পোৎলম কয়াগী মমল ৱাংখৎলকখ্রবা মতুংদা কঞ্জুমর এফেয়র্স সেক্রেটরী অবিনাস কে শ্রিবাস্তভানা লুচিংবা ইন্টর মিনিষ্ট্রিএল কম্মিতিগী মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা অফগানিস্তান, ইজিব, টর্কি অমসুং ইরানদগী তিলহৌ লৈনবগী মতাংদা ৱারেপ লৌখি।

নোংমা নীনিগী মনুংদা ফিভম খরা ফগৎলক্লগনি হায়না পল্লদুনা কঞ্জুমর এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, মীয়াম্না হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবগী পান্দমদা লৈঙাক্না মরু ওইবা থৌদাং লৌরগা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদগী তিলহৌ লৈনবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

অফগানিস্তান, ইজিব, টর্কি অমসুং ইরানদা লৈরিবা ইন্দিয়ন এম্বেসিশিংগা পাউ ফাউনদুনা অথুবা মতমদা মপানদগী তিলহৌ পুশিল্লক্লবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অমনা ফোঙদোকখি। হৌজিক মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা অসিগী য়েংলগা দিল্লি গভর্ণমেন্ট, মার্দর দাইরি অমসুং সফলদা পোত্থোক মরাং কাইনা য়ৌহল্লক্লবা নেসনল এগ্রিকলচরেল কো-ওপরেটিব মার্কেটিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াদা খঙহনখ্রে। ফেদরেসনগী এদিস্নেল মেনেজিং দিরেক্টরনা লুচিংবা টিমনা হিরম অসিগী মতাংদা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়রি।



# পঞ্চকুলা ভাইওলেন্স কেসকী মতাংদা রাম রহিমগী মচানুপী হনিপ্রিট ইন্সানবু কোর্টনা বেল পীখ্রে

পঞ্চকুলা, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সি): কুমজা ২০১৭তা থোকখিবা পঞ্চকুলাগী খৎনা চৈনবা থৌদোক্তা মরী লৈননা দেরা সচা সৌদাগী লুচিংবা গুরমিত রাম রহিমগী য়োকচবী মচানুপী হনিপ্রিত ইন্সানবু হরিয়ানাগী কোর্ট অমনা বেল পীখ্রে।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা অতোপ্পা কোর্ট অমনা হনিপ্রিতকী মথক্তা ফাইল তৌরম্বা সিদিসনগী চার্জ লৌথোকপা লৈখ্রবনি। মীওই ৩০ হেন্না শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ২০০ হেন্না অশোক অপন নংখিবা থৌদোক অমগী মতাংদা পঞ্চকুলাগী কোর্টনা হনিপ্রিত ইনসানগী মথক্তা সিদিসনগী চার্জ তৌখিবনি।

দিফেন্সকী কাউন্সেল আর এস চৌহাননা হায়খি মদুদি হনিপ্রিত ইনসানবু লুপা লাখ অমগী স্যুরিতিগী বোন্দদা বেল পীখিবগা লোয়ননা ঙসি নুমিদাংৱাইরম অম্বালা জেলদগী থাদোকখি। এনিস্নেল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ সঞ্জয় সান্ধিরনা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা হনিপ্রিতগী মথক্তা ফাইল তৌরম্বা সিদিসনগী চার্জ লৌথোকখ্রবা মতুংদা মহাকপু পঞ্চকুলাগী কোর্টনা বেল পীখিবনি।

কুমজা ২০১৭তা থোকখিবা খৎনা চৈনবগী থৌদোক্তা মীশি মিনা য়াওখিবগী মতাংদা পঞ্চকুলা পুলিসনা হনিপ্রিত অমদি অতৈ দেরাগী তুংইনবশিংবু সিদিসন অমদি ক্রিমিনেল কন্সপিরেন্সিগী চার্জদা বুক তৌখি।

দেরান মেনেজমেন্ট কম্মিতিগী মীওই ৪৫না মরু ওইবা থৌদাং লৌরগা হাৎনা শুনবগী থৌদোক থোকহনখিবনি হায়না চার্জসিট ফাইল তৌরকখ্রবা মতুংদা কোর্টকী ৱায়েল অসি পীখিবনি।



# এন্টি সিখ রাইয়ত ঃ সুপ্রিম কোর্টনা সাজন কুমারবু এইমসতা মেদিকেল এগজামিনেসন তৌনবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সি): কুমজা ১৯৮৪দা থোকখিবা এন্টি সিখ রাইয়তগী কেসকা মরী লৈননা দিল্লি হায় কোর্টনা পুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা য়াথং পীখ্রবা হান্নগী কোংগ্রেস লুচিংবা সাজন কুমারবু এইমসতা মেদিকেল এগজামিনসেন তৌনবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে।

হকচাংগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইরগা বেল পিবিয়ু হায়না সাজন কুমারনা কোর্টতা হাজয়রকখ্রবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং অসি পীখিবনি। এইমসকী দিরেক্টরনা শেম্বা ডাক্তরশিংগী টিম অমনা সাজন কুমারগী হকচাংগী ফিভম য়েংশিল্লবা মতুংদা চয়োল মরিগী মতুংদা রিপোর্ট অমা পীরক্কদবনি হায়না খঙহনখি।

জষ্টিস এস এ বোবদেনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি মদুদি সাজন কুমারনা ফাইল তৌরকপা বেল পীতিসন অমা মতং চহীদা হিয়রিং চত্থরগনি। ওগষ্ট ৫দা জষ্টিস বোবদেনা লুচিংবা অমনা হায়খিবনি মদুদি হৌজিক চত্থরিবা কেস অসি তরাই তরাইনা ৱায়েল পীবা য়াদবা মরম্না সাজন কুমারনা ফাইল তৌরকপা বেল পিটিসনগী হিয়রিং মথং চহীগী মেদা চত্থরগনি। কোর্টকী হিয়রিং হৌদ্রিঙৈদা এইমসকী দিরেক্টরনা খনবা ডাক্তরশিংগী টিম অমনা সাজন কুমারগী ফিভম হান্না য়েংশিনখিগনি হায়রি।

সাজন কুমারগী মায়কৈদা লেপখিবা সেনিয়র এদভোকেট বিকাস সিংহনা হায়খি মদুদি হৌখিবা থা ১১ রোম জেলদা লৈরক্লবা সাজন কুমারগী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লকপগা লোয়ননা অনাবা কয়ানা মরম ওইরগা হকচাংগী অরুম্বসু হন্থরক্লে। ৱাফম অদু তারবা মতুংদা কোর্টনা হায়খি মদুদি নীংথিনা খঙ হৈরবা এইমসকী ডাক্তরশিংদা সাজন কুমারগী হকচাংগী ফিভম য়েংশিলহল্লগনি।

কুমজা ১৯৮৪গী নবেম্বর ১ অমসুং ২দা থোকখিবা খৎনা চৈনবগী থৌদোক্তা দিল্লি কেন্টনমেন্টকী রাজ নগর পার্ট ১ এরিয়াদা সিখ মঙা হাৎখিবগী মতাংদা হায় কোর্টনা কনভিক্সন পীখ্রবা মতুংদা সাজন কুমারনা কোংগ্রেসতগী রিজাইন তৌখিবনি।

কুমজা ১৯৮৪গী ওক্টোবর ৩১দা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধিবু সিখ বোদিগার্দ অনীনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা মতুংদা এন্টি সিখ রাইয়ত থোরকখিবনি।



# নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা এফ আই আর ফাইল তৌনবা মতম থাখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সি): পুলিসকী মুক্লবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা উকিলশিংনা দিল্লিগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিংদা খোঙজং চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা বার কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়াগী চেয়ারমেন মানন কুমার মিস্রানা হায়খ্রে মদুদি পুলিস অমসুং উকিলশিং চেন্নবা হাৎনা শুনবগী থৌদোক থোকপা মতমদা লৈঙাক্না তুমিন্না লৈথোকপা চুমদে।

সুপ্রিম কোর্টকী কেম্পস মনুংদা পাউমীশিংগা উনখিবদা মিস্রানা হায়খি, পুলিসনা জুদিসিয়রিংদা খুৎ থিংজিল্লকপা মরম্না হিরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই। নবেম্বর ২দা দিল্লিগী টিস হজারি কোর্ট মনাক্তা নোংমৈ কাপখিবা পুলিস পার্সনেলশিংগী মথক্তা এফ আই আর অমা নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ফাইল তৌগদবনি।

লোগী মায়োক্তা থবক পায়খৎলকখিবা উকিলশিংগী মথক্তসু বার কাউন্সিলনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়না মিস্রানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, উকিলশিংনা লোগী মায়োক্তা লৈবা থৌরাং লৌখৎলকপদা বার কাউন্সিলনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই। লো ঙাক্লবগী থৌদাং লৌরিবা পুলিসনসু লোগী মায়োক্তা থবক তৌবা চুমদে। হৌজিক হৌজিক দিল্লিদা উকিল অমসুং পুলিস পার্সনেলশিংগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবগী থৌদোক অমা থোক্লিবনি।

## CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Certificate of HSLC Examination bearing Roll No. 278 of 1977 issued by BOSEM on the way between Imphal Bazar and Meetei Kairang on 01-11-2019. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Heikrujam Rashi Devi**
Meetei Kairang
Phone No. 9612549079

HL-P/5241/7

## VACANCY

A highly reputed HR company based at Imphal is hiring staffs for following posts from all the districts of Manipur for expanding the company.

| Sl. No. | Post | No. of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1) | HR-Manager (M/F) | 16 | Graduate | Rs.10,000-20,000/- |
| 2) | HR-Executives (M/F) | 32 | 10+2 | Rs. 7,000-15,000/- |
| 3) | Office Asst. (M/F) | 8 | 10+2 | Rs. 5,000-10,000/- |
| 4) | Security Guards (M/F) | 16 | VIII & above | Rs. 5,000-8,000/- |
| 5) | Home Tutors (M/F) | 40 | For all Classes | |

Interested candidates may kindly visit the office between 10 am to 4:00 pm for application form @ Rs. 200/-
Contact :- 9612396737 / 7005707412

**Sd/- Times International**
Near Sangai Hotel, Nagamapal, Imphal

HL-P/5237/7

## / Baidyaraj Amarjit Maisnam বু আজমা (Asthma) ফহনবগী থাগৎচরি



Zozam
D/o Julie Vaiphei

ঐগী ইচানুপী Zozam মশাগী চহী অহুমতা ঙাইরিঙৈদগী শাংলবা চহী মঙারোমসি Asthmatic Bronchitis কী Patient ওইরকখি। মহাক মতম চুপ্পদা Inhaler অমসুং allopathy গী লায়েংনা লৈরম্মী। অদুবু মহাক নুমিৎ খুদিংগী শ্বর হোনবা ৱাবা অমসুং লোক খুবগী চৈথেং ফংদুনা লাকখি। মহাক থা অমদা শুপ্নতগী নুমিৎ হুমনি/মরিনিদগী হেন্না মশা নুংঙাইফম খঙলকখিদে। Velore, Hyderabad অমসুং Chandigarh নচিংবা মফমশিংদা খ্বাইদগী অফবা লায়েং পীরবফাওবদা কান্নফম খঙদনা পীক্লিবা ইচাসিনা Asthma গী চৈথেং খাঙনবা হোৎনবদু য়েংবা ঙমখিদে। মমৈথংদদি ইমান্নবা অমগী পাউতাক মতুং ইন্না ঐহাক Baidyaraj Amarjit Maisnam গী (C/o Makhonmani Mongsaba, Uripok Achom Leikai, #: 8794144578, 9401003702) গী মনাক্তা ইচানুপীবু পুদুনা লায়েংখি। য়াম্না অঙকপা অমা ওইনা থা তরুকমুক লায়েংলবা মতুংদা Inhaler শীজিন্নবা লেপখ্রে। মহাক ঙসিদি মমান্নবী অতৈগুম্না হরাও তয়াম্না শান্নবা ঙম্লে। মহাক্কী হান্নগী লোক খুবা, থবাক খেবনচিংবা লেপখ্রে। ঐখোয় তশেংনমক Baidyaraj Amarjit কী মফদা ইচানুপীবু মতম চানা Asthma গী লায়েং পীবিবগীদমক্তা লমন তোনশিঞ্জরে। লোয়ননা অদোমসু মতিক চারবা Baidyaraj অমনা ফংফম থোকপা ঈশ্বরগী থৌজালশিং ফংবিবা ওইসনু হায়না থৌনিজরি। Velore দগী হল্লকপা Chronic Patient খক্তা Cancer, Ulcers, Diabetes, Liver Cirrhosis, Piles, Paralysis, Skin Diseases/ Psoriasis নাবশিংনা কন্টেক্ট তৌবীয়ু।

HL-P/5117/7,9,11,13,15,19 *থাগৎচরিবা* - **Julie Vaiphei Zozam** গী মমা

## /TRAIN YOUR CHILD BRAIN MID BRAIN ACTIVATION COURSES

*(A Life time gift to your child)*

*Develop your Child's 6th Sense, Nobody Become A Genius by Luck. We Create Leader for the future Make your Kids the Most 'Unique'.*



জপানগী Technology অমগী মতেংনা পাঙথোকপা Mid Brain Activation Workshop/Training অসিনা অদোমগী অঙাংবু ৱাখল লৌশিং থৌহনবা, অফবা লমচৎ শাজৎকা লোয়ননা লাইরিক লাইশুদা মীথোই মীহেনবা, পুন্সিদা অচৌবা মায় পাকপা অমা শোয়দনা ওইহনবা ঙমগনি। ঙসি ফাওবদা মীথোই মীহেনবা অঙাং মশীং থিঙমদনা পুথোকখ্রবা, Sunday খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা কোর্স অসিদা অদোমগী অঙাংসু য়াওহনবীনবগীদমক Book তৌবিহৌরো। অকক্লবা সিট মশীংনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক কোল তৌবীরকউ।

100% Guarranty

***Please contact:***
**Narajit Moirangthem,** Midbrain Master
Genius Mind Tech. Imphal
☎ **8787562714 / 9862287481**
**Website :- www.gmtmanipur.in**
**Facebook : gmt imphal.**

HL-P/5215/5,7

## CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Certificate of Class X Examination bearing Roll No. 3147113 of 2016 issued by CBSE on the way between Kakching and Imphal on 05-10-2019. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Khumbongmayum Abijit Singh**
Kakching Irengband Mairenbam Maning Leikai,
Manipur - 795 103
Phone No. 8729984023

HL-P/5118/7

## MANIPUR FINANCE SERVICE

**Regd. No. 115 of 2007**
**Under Indian Trust Act, 1882**
**(Indian Registration Act, 1908)**
**HEAD OFFICE : SINGJAMEI, NEAR UCO BANK, MANIPUR**
**JOB VACANCY : PERMANENT POST**
**AGE :- 20-40 Years**
**No. of Candidate Required :- 10 (Ten)**
**General - Male and Female**

| Sl. No. | Post | No. | Pay Scale | Qualification |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Manager | 1 | 30,000 | M.Com, MBA/B.Com |
| 2. | Asst. Manager | 1 | 25,000 | M.A., M.Com/B.Com |
| 3. | Accountant | 1 | 20,000 | B.Com/M.Com |
| 4. | Cashier | 1 | 20,000 | B.Com/B.A |
| 5. | Receptionist | 2 | 20,000 | 12 Passed |
| 6. | Computer Operator | 1 | 20,000 | B.C.A. |
| 7. | B.D.O | 2 | 20,000 | BBA/MBA |
| 8. | Peon | 1 | 10,000 | 10 Passed |

**Form available at Nongmeibung Nambam Chuthek.**

**Contact No. 9774096713, 9774745523, 8415824051**

HL-P/5236/7

## APOLLO TUTORIAL CENTRE

*Admission Open For*

**XII-Sc CONDENSE REVISION COURSE HSE(COHSEM & CBSE) 2020**

**SUBJECT : ENGLISH+PHY+CHEM+BIO+MATHS**

**LAST DATE OF FORM SUBMISSION**
**12TH NOV. 2019**

**CLASS STARTS**
**18TH NOV. 2019**

**OFFER**

- **HOSTEL PACKAGE (BOYS & GIRLS)**
- **20 % FEE CONCESSION TO FIRST 20 STUDENTS**

**FOR DETAILS** Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office,(7am to 7pm)

## BENESYS PRIVATE LIMITED IS HIRING SALES EXECUTIVES

*If You Want To Learn & Experience The Fastest & Highest Career Growth, Do On Board With Us.*

| Job Specification | Job Description | No of Post | Salary |
|---|---|---|---|
| 1) Qualification : Minimum BBA/BBM (Marketing)<br>2) Experience : Minimum 1 Year in Sales & Marketing Department<br>3) Prefer who owned a vehicle with proper related documents<br>4) Possessing Self Motivated, Consistent, Smart and Career Growth Hungry Personality | 1) Conducting Market Survey<br>2) Seeking out new sales opportunity/ prospect through cold calling<br>3) Thorough follow up & gathering feedback from customer/clients/prospect stakeholders. | 5 Nos<br>Male: 3Nos<br>Female : 2Nos | Rs 8,000 - 10,000 Plus Incentives.<br>Benefit: Salary will be incremented after 6 Months. |

**Note**: Interested candidates can drop your **Resume at Hr.benesys@outlook.in** to shortlist the qualified candidates for the walk in interview. **Last Date of submission of Resume is 10th of November, 2019.** The shortlisted candidate will be informed by our HR **team over phone or through mail.**
**#8796649821, 9366225545, 7642823898**

HL-P/5234/7

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## STATE ACADEMY OF TRAINING
### Takyelpat

No.11/17/2019 (9)-SAT

Imphal, the 4th November, 2019.

To
1. All Heads of Departments, ..........................................
2. Managing Director/Project Director/Secretaries of State Public Sector undertaking, Societies, State Commissions, Manipur.

Subject:- **3-days Training Programmes sponsored by DoPT, Govt. of India for the year 2019-20.**

Sir,

Under the sponsorship of DoPT, Government of India, this Academy will be conducting 3-days Training on each of the following topics for the employees of the State Government, Autonomous Bodies, Public Sector Undertaking, Commissions of the State, etc.

| Sl. No. | Topic | Sl. No. | Topic |
|---|---|---|---|
| 1 | Office Procedure | 6 | Financial Management |
| 2 | Noting & Drafting | 7 | Health Sensitization |
| 3 | Roles of IT in E-Governance | 8 | Pension Rules |
| 4 | Project Development and Management | 9 | Child Trafficking, Drug Abuse, etc. |
| 5 | Urban Development | 10 | Taxation and its Rules |

2. **Considering the importance of knowledge and skills of the employees**, you are requested to nominate **Group A, B & C employees** of your department to attend the training on the above mentioned topics.

3. **Nomination indicating the name of the employees, designation and course to be attended and his/her mobile number has to be furnished to the Academy.**

4. The Academy will provide training materials and working lunch to the trainees. Date of the training will be communicated after the selection of the trainees. **Nomination of employees for the training may be submitted to the Academy latest by 15th November, 2019.**

Yours faithfully
( Kh. Lalmani Singh )
**Additional Director**

HL-B/5787/6,7